# অলেক্সি নভালনি রশিয়ন কোর্টনা চহী অহুম মখাইগী ফাদোক পীখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী খোল্লাওশিং থৌওইদনা রশিয়াগী কোর্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনি জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

রুলিং অদুগী মতাংদা ওপোজিসন পোলিটিসন অসিনা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনদা মরাল থংজিল্লদুনা মহাকপু লনাই ওইবা হঙ্গৈই তুকৎচবা অমসুং কিবদগী মহাক্না জেলগী চৈরাক অদু ফংখিবনি হায়খি।

মোস্কোদা লৈবা কোর্ট অমনা নভালনিবু চহী অহুম মখাই জেলদা লৈবগী চৈরাক পীরবসু মহাক্কী উকিলনদি এন্টি-করপসন ব্লোগর হায়নসু খঙনবা ওপোজিসন পোলিটিসন অসি মতম খরা হাউস এরেষ্ট তৌখিবা ওইবনা থাঙ্গৈশেংনা জেলদা লৈবগী মতম অদু চহী অনীগা থা নিপালদমক ওইরগনি। ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা আপীল তৌরগনি হায়না মহাক্কী উকিলশিংনা ফোঙদোকখি।

নাভালনি থাদোক্নবা তকশিল্লদুনা লৈবাক শিন্থুংনা প্রোটেষ্ট কয়া চথুরকখিবা মতুংদা কোর্টনা পীরক্লিবা ৱায়েল অদুনা রশিয়া অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরী হেন্না শোকচিনহল্লগনি। কেস অদুগা মরী লৈননা নোংচুপলোম্না রশিয়া শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থম্লবা খন্নরিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বুটেন, জর্মনি অমসুং ঈ য়ুনা মোস্কোদা নভালনি খুদক্তা থাদোক্নবা তকশিনখ্রে। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা হায়খি মদুদি রশিয়াবু নভালনিগী কেস অদুগী থৌদাং য়াহন্নবা ৱাশিংটননা মিচংশিংগা কুপ্না তান্নরগনি।

নোংচুপলোম্না রশিয়াবু হান্নদগী অথিংবা কয়া থমদুনা লাকখিবনি। এনালিষ্টশিংগী মত মতুং ইন্না রশিয়াদা অহেনবা প্রেসর পীনবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী ওপসন ইরে লৈতে। কোর্টকী হিয়ারিং অদুগী মাংওইননা নভালনিগী মীচং অমা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা পুটিনগী ইন্নর সর্কলগী মীওইশিংদা শেল থুমগী অথিংবশিং থম্লবা তকশিনখিবা লৈখ্রে। অমরোমদা রশিয়ানা নভালনিবু সী আই এগী এসেট অমনি হায়খি। চার্জ অসি রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা মহাক্না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা রশিয়া মনুংগী ৱাথোক্তগী লাপ্না লৈনবা হায়খি। পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা ক্রিটিকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নভালনি মিলিটরি গ্রেদকী নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পোইজনিং তৌখিবদগী জর্মনিদা লায়েংলুরগা হল্লকপদা পেরোলগী কাংলোন থুগাইবগী মরালদা জন্যুৱারী ১৭ তা ফাখিবনি।

পোইজন অদু রশিয়ন ষ্টেট সিক্যুরিটি এজেন্টশিংনা মহাক্কী অনন্দরপেন্টদা হাপচিনখিবনি হায়না নভালনিনা ফোঙদোকখি। ক্রেম্লিননদি ৱাফম অসি য়াখিদে। পুটিনগী অমত্তা ঙাইরবা মেথদতি মী হাৎপনি। মহাক্না মশামকসু অচৌবা জিও পোলিটিসন অমনি হায়না উহন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনসু মহাক পুৱারীদা পোইজনর অমা ওইনা খঙনহৌরগনি। পুৱারীদা অলেক্সেন্দর দ লিবরেটর, য়ারোস্লাভ দি ৱাইজ অমসুং পুটিন দি অন্দরৱয়র পোইজনর হায়গনি হায়না নভালনিনা মখা তাখি।

# ম্যান্মার মিলিটরিনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিল শেমখ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

কন্সটিট্যুসনগী সেক্সন ৪১৯ গী মখাদা মেম্বর ১১ না শাবা অনৌবা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিল অমা শেম্লে হায়না ম্যান্মারগী কম্মান্দর ইন চীফ ওফ দিফেন্স সার্ভিসেসকী ওফিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা লাওথোকখ্রে।

সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, দিফেন্স সর্ভিসেসকী কম্মান্দর ইন-চীফ সিনিয়র জেনরেল মিন ওং হলাইংনা চ্যের পায়বা কাউন্সিল অদুদা দেপ্যুটি চ্যের ওইনা ভাইস সিনিয়র জেনরেল সো ৱিন য়াওনা অতৈ মেম্বর ১০ য়াওরি।

নৌনা শেম্বা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলনা মরু ওইবা ফমশিংগী অনৌবা এপোইন্টমেন্টশিংসু পীখ্রে। ফমশিং অদুগী মনুংদা য়ুনিয়ন এটোর্নি জেনরেল, য়ুনিয়ন ওদিটর জেনরেল, সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ ম্যান্মারগী গভর্ণর, নেচরেল রিসোর্চ এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল কঞ্জার্বেসন, কন্সত্রক্সনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং মশানা লৈঙাকচগদবা দিভিজন অমসুং জোন তরুক হায়বদি নাগা, দানু, পাও, পালনুং, কোকোং অমসুং ৱাগী এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলশিংগী চ্যেরমেনশিং নেপিটো কাউন্সিলগী চ্যেরমেন, য়াঙ্গোন অমসুং অয়েরাৱাদি রিজনশিং থাদনা রিজন অমসুং ষ্টেট ১২ গী এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলশিংগী চ্যেরমেনশিং য়াওরি। কাউন্সিল অসিনা দেপ্যুটি এটোর্নি জেনরেল মফম লৌথোকখ্রে।

ম্যান্মার পুলিস ফোর্সকী চীফ ওইরিবা লেফটনেন্ট জেনরেল ওং ৱিন উনা থবক্তগী পোত্থাবদা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা কাউন্সিলনা হান্নগী দেপ্যুটি মিনিষ্টর ফোর হোম এফেয়র্স মেজর জেনরেল সো টিন নাইং ত্রান্সফর তৌদুনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট ওফিসগী দেপ্যুটি মিনিষ্টর ওইহনখ্রে।



চৈরকসিদা, লেফটনেন্ট জেনরেল থান হলাইংনা দেপ্যুটি হোম এফিয়র্স মিনিষ্টর অমসুং ম্যান্মার পুলিস ফোর্সকী চীফ ওইরগনি। কাউন্সিল অসিনা কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাংলোনগী মতুং ইন্না, মেম্বর তরুক্কী য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিটি অমসু শেমখ্রে।

কন্সটিট্যুসনগী সেক্সন ৪১৯ না হায়রি মদুদি সোভরেন পৱার শিন্নরবা দিফেন্স সার্ভিসেসকী কম্মান্দর ইন চীফনা লেজিসলেচর, এগজিক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়ারিগী পৱারশিংসু এক্সরসাইজ তৌগনি। দিফেন্স সর্ভিসেসকী কম্মান্দর ইন চীফনা লেজিসলেটিভ পৱার এক্সরসাইজ তৌগদৌরিবদু মশামক্না নত্রগা মশামক য়াওবা বোদি অমগী খুত্থাংদনি। এগজিক্যুটিভ পৱার অমসুং জুদিসল পৱারনা চানবা বোদি অমদা শিন্নবা য়াই নত্রগা চানবা মীওই অমনা এক্সরসাইজ তৌবা য়াই।

ম্যান্মারদা চহী অমা ইমর্জেন্সি লাওথোকখিবগা লোয়ননা দিফেন্স সার্ভিসেসকী কম্মান্দর ইন চীফ সিনিয়র জেনরেল মিন ওং হলাইংদা ষ্টেট পৱার শিন্নখ্রবনি।

# মোদর্নাগী ভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে

সিঙ্গাপোর, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

সিঙ্গাপোরনা ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম হৌখিবগা লোয়ননা সিটি ষ্টেট অসি মোদর্নাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন এপ্রুভ তৌবা এসিয়াগী অহানবা লৈবাক ওইরে। মোর্দনাগী ভেক্সিন দোজশিংগী অহানবা সিপমেন্ট মার্চ থাদা সিটি ষ্টেট অসিদা থারক্লগনি। থারক্কদৌরিবা ভেক্সিন সোটশিং অদু হৌখিবা দিসেম্বরদা এপ্রুভ তৌখিবা ফাইজর বাইওএনটেক ভেক্সিনগী হৌজিক লৈরিবা ষ্টোক্কী মথক্তনি। হেল্থ ৱার্করশিং অমসুং এয়রলাইন ষ্টাফ য়াওনা মীওই ১৭৫,০০০ হেনবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজশিং কাপখ্রে। অহল ওইরবা মীওইশিং কাপ্পা হৌনবা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ভেক্সিনেসন সেন্তরশিং সিটি ষ্টেট অসিগী মফম শিন থুংনা শেমগৎখি।

সিঙ্গাপোরনা সেপ্তেম্বর ফাওবগী মনুংদা মীয়াম পুন্বা ভেক্সিন কাপ্পা ঙমগনি হায়না পারি। ফাইজরগী মেন্যুফেকচরিং প্লান্ট অপগ্রেদ তৌবনা মরম ওইদুনা ফাইজর বাইওএনটেককী ভেক্সিন থারকপদা মতম খরা থিন্থবা য়াই হায়না হৌখিবা থাদা সিঙ্গাপোরগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# চাইনা, ঈ য়ুনা ইনভাইরনমেন্ট, ক্লাইমেটকী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী দাইলোগ পাঙথোকখ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

ঈ য়ু অমসুং চাইনাগী মরক্তা অহানবা ওইনা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেটকী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী দাইলোগ পাঙথোকখ্রে। চাইনিজ ভাইস প্রিমিয়র হান জেংগী ভিদিও লিঙ্ককী খুত্থাংদা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী এগজিক্যুটিভ ভাইস প্রসিদেন্ট ফ্রান্স টিম্মরমান্সকা ৱারী শান্নখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী পোলিটিকেল ব্যুরোগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা হাননা হায়খি, চাইনাগী ওইনদি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা কার্বোনদাইওক্সাইদ ইমিসনগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবনি অমসুং কুমজা ২০৬০ ফাওবগী মনুংদা কার্বোন ন্যুত্রেলিটি এচিভ তৌগনি। মসি লৈবাক অসিগী ক্লাইমেট অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল পোলিসিশিংগী মরু ওইবা এনাউন্সমেন্ট অমনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, হান্না লেপখিবা মওংদা পান্দমশিং অসি ফঙনবগীদমক্তা চাইনানা ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন, ইমিসন রিদক্সন অমসুং লো-কার্বোন দিভলপমেন্ট প্রমোট তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা মথৌ তাই। লুচিংবা অনীনা য়ানখিবা ৱাফমশিং নাকল অনীনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। অৱাংবা থাক্কী দাইলোগকী কান্নবা মপুং ফানা লৌগদবনি, চাইনা ঈ য়ু ইনভাইরনমেন্টেল অমসুং ক্লাইমেট কোওপরেসন হেন্না চেৎশিনহনগদবনি অমদি গ্রিন কোওপরেসনদা নৌনা মিৎয়েং থমগদবনি হায়নসু হান্না ফোঙদোকখি।

ভাইস প্রিমিয়স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মরু ওইবা ওথোরিটি ওইহন্দুনা মল্টিলেটরেলিজম ঙাক্কদবনি, ইন্তরনেস্নেল সিষ্টেম কায়হন্দনবা তৌগদবনি অমসুং লৈবাক খুদিংমক্না মহৈ চাগদবা গ্লোবেল ইনভাইরনমেন্টেল গভর্ণমেন্ট সিষ্টেম চাওখৎহনগদবনি।

চহী অসিদা চাইনানা থৌবু ওইনা শীন্দুনা কুনমিংদা কনভেন্সন ওন বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগী ১৫ শুবা মীফম (সি ও পি ১৫) পাঙথোক্লগনি হায়না পল্লদুনা হাননা হায়খি, কনফরেন্স অদু পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা রিজল্ট ফঙগদবা মওংদা চাইনানা ঈ য়ুগা খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নগনি। লোয়ননা মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী তুংলমচৎকীদমক চাইনানা ঈ য়ুগা লোয়ননা গ্লোবেল বাইওদাইভর্সিটি গভর্ণমেন্টকী অনৌবা প্রোসেস অমা হৌদোক্লগনি।

# বোমগী এটেকশিংদা মীওই ৩ শিরে

*কাবুল, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :*

*নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা টালিবানদা ভাইওলেন্স লেপ্নবা আপীল তৌখিবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফঘানিষ্টানদা পরিং নাইনা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং মীওই তরেৎ অশোক অপন নঙখ্রে।*

*ৱাশিংটন অমসুং নাটোনা মে ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মখোয়গী ফোর্সশিং লৌথোক্নবা থৌরাং রিভিয়ু তৌরিঙৈদা কাবুলদা এস য়ু ভি অমদা বোম পোকখায়হনখিবদা নন গভর্ণমেন্টেল চেরিটি জমিয়াট-ঈ-ইস্লাহগী মকোক মোহম্মদ আটিফ য়াওনা মীওই ২ শিখি হায়না কেপিটেলগী পুলিসনা ফোঙদোকখি। সিটি অসিদা থোকখিবা অতোপ্পা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা অশোক অপন কয়া থোকখি। এটেকশিং অদু কাউন্টর নার্কোটিক্স ফোর্স অমসুং সিভিলিয়ন ভেহিকল অমদা তার্গেট তৌখিবনি।*

*কাবুলগী ব্লাষ্টশিং অদুদা টালিবান চেন্নদে হায়না গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন জাবিহুনা মুজাহিদননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। ইষ্টন নঙ্গরহর প্রোভিন্সকী জলালাবাদ সিটিদা মিলিটরি ভেহিকল অমদা বোম পোকখায়হনখিবা অদুদা তোংবা লান্মী অমা শিখি অমসুং অনী শোকখি। সেন্ত্রেল পরবান প্রোভিন্সতসু সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসল অমদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়হনখি।*

# ভেক্সিনেসন হৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ লায়চৎ য়ৌরকখিবা চহী অমরোমগী মতুংদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন হৌখ্রে। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংদগী হৌখি। অহানবা ভেক্সিন দোজ অদু মশাগী চহী ৫০ শুরবা ডোক্টর অমদা কাপখি। হৌখিক ফাওবদা পাকিষ্টানদা কোভিদ কেস মিল্লিয়ন তঙ্খাই অমা হেন্না দিটেক্ট তৌরে অমসুং লায়না অসিনা মীওই ১১,৭৪৬ শিহনখ্রে।

# জি-৭ না কু কন্দেম তৌখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাওখৎলবা লৈবাক তরেৎকী গ্রুপ জি-৭ না ম্যান্মারগী মিলিটরি কু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং ওং সান চু সি য়াওনা অর্মীনা ফাজিনখ্রবা পোলিটিকেল লিদরশিংগী লাইবক্কী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারগী মিলিটরি কু অসি কনাদা, ফ্রান্স, জর্মনি, ইটালি, জপান, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওবা জি-৭ কী ফোরেন মিনিষ্টরশিং ওইরিবা ঐখোয়না কন্দেম তৌই। ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চি অমসুং প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্ট য়াওনা পোলিটিকেল লিদরশিং সিভিল সোসাইটি এক্টিভিষ্টশিং ফাজিন্দুনা থল্লিবা অমসুং মীদিয়াদা টার্গেট তৌরিবসি ঐখোয়না লুনা লৌই হায়না গ্রুপ অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

জি-৭ কী ফোরেন মিনিষ্টরশিং অসিনা মিলিটরিদা ইমর্জেন্সি লোয়শিন্নবা অমসুং খ্বাইদগী অৱাবা নংলবশিংদা চানা থক্নবা অমসুং হীদাক লাংথক্নচিংবশিং ফঙহন্নবসু তকশিনখ্রে। নবেম্বরগী মীখলগী রিজল্ট ঈকায়খুম্নগদবনি অমসুং অথুবা মতমদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ফম্বা য়াহনগদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# য়ু এস সিনেটনা অয়াবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা সেক্রেটরি ফোর হোমলেন্দ সিক্যুরিটি ওইহন্নবা খনখ্রবা অলেজান্দ্রো মায়োর্কাস ভোট লৌনবদা সিনেটর অয়াম্বনা শৌগত্তুনা কনফার্ম তৌখ্রে।

অপ্পর চেম্বরদা ভোট লৌনবদা সিনেটর ৪৩ গী মায়োক্তা সিনেটর ৫৬ না য়াখিবা মায়োর্কাস অসি ৱাশক লৌরবা মতুংদা য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটি (দি ঐচ এস) লিদ তৌবা অহানবা লেটিনো অমসুং অহানবা ইম্মিগ্রন্ট ওইরগনি। মশাগী চহী ৬১ শুরবা মায়োর্কাসনা বারাক ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনদা কুমজা ২০১৩ দগী ২০১৬ ফাওবা দি ঐচ এসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরিগী ফম পায়খি। মহাক কুমজা ২০০৯ দগী ২০১৩ ফাওবা য়ু এস সিটিজন্সিপ এন্দ ইম্মিগ্রেসন সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ওইখি।

# ইন্দিয়াগা দিপ্লোমেটিক্কী মরী থম্নদনবা য়সিন মালিককী লোয়নবীনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে

লাহোর, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

কাশ্মীরিশিংগী অনীংবা অপান্বা শৌগৎপা উৎপা ওইনা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরী পুন্বা থদৎনবা অমসুং সিমলা এগ্রিমেন্ট চৎনহন্দনবা কাশ্মীরি সেপরেটিষ্ট লিদর য়াসিন মালিককী লোয়নবী মুসাল হুশৈইন মালিকনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টদা আপীল তৌখ্রে।

লাহোরদা লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইবা পোলিটিকেল পার্টি জমাট ঈ-ইস্লামিগী প্রেস কনফরেন্স অমদা মহাক্না আপীল অসি তৌখিবনি। ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা কাশ্মীর তম্পাক্তা চথুরিবা কাশ্মীরিশিং পাক্তক্নমা হাৎপগী থৌওং মালেম পুম্বদা খঙহন্নবসু মহাক্না পাকিষ্টান অপুন্বদা আপীল তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা লৈবাক পুম্বগী অনীংবা অপান্বশিং থুংহনবা ঙমদ্রে। লৈঙাকপশিংনা কাশ্মীর ইশ্যু অসি হকচিন্না লৌদে হায়না জমাট-ঈ-ইস্লামিগী সেক্রেটরি জেনরেল অমেরুল অজীমনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি কাশ্মীরি লিদরশিং য়সিন মালিক, সয়েদ অলি সাহ গীলানি, অসিয়া অন্দ্রাবি অমসুং অতৈ কয়াবু লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিন্দুনা থম্বগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (জে সী জে) অমসুং অতৈ ৱর্ল্ড ফোরমশিংদা ৱাকত্তুনা মখোয়বু থাদোকহনগদবনি।

য়াসিন মালিক অমসুং মহাক্কী মচানুপী উহন্নবা তকশিন্নবা অজিমনা ইন্টরনেস্নেল রাইটস গ্রুপশিংদসু আপীল তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না মপা-মচা উহনবা হায়বসি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মতম শাংনা য়ারত্তবা ৱাফমনি। অজি সনা হায়খি মদুদি, হুরিয়র্টকী লিদর অসি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা শেমজিন শাজিনবা কেস অমদা চহী অমা মখায় হেন্না দেথ সেলদা থমখ্রে। জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙখিবা মাসাল মালিকনা পার্টি খুদিংমক্তা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা পোলিটিকেলগী অমদি অতৈ খেন্নবশিং থাদোক্নদুনা কাশ্মীরিশিংগীদমক্তা য়ুনিটি উৎকন্দবনি হায়খি। পাকিষ্টাননা ফেব্রুৱারী ৫ অসি চহী খুদিংগী কাশ্মীর সোলিদেরিটি দে হায়না রেল্লি অমদি খোঙচৎ কয়া, কনফরেন্স কয়া অমসুং পার্লিয়ামেন্টগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা ওবজার্ভ তৌরিবনি।


**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯛ / NOTICE**

**Imphal, the 1st February 2021**

No. IMC/52/RO/M-Shops/2019-20: With reference to letter No, 3/7/2019-ISCL dated 27/01/2021 and 30/01/2021 of CEO, Imphal Smart City Ltd. regarding the development of Mall Road (Phase -1) on the Thangal Bazar Road (from BT. Road Flyover point to Kashturi crossing) as a part of Smart City Project, this is to notify to all the Shop Keepers/Owners, transacting business at Thangal Bazar Road (from BT. Road Flyover point to Kashturi crossing) to take up the following necessary actions:

1. **Uniform shop signages:** As proposed by Imphal Smart City Ltd. to have a uniform and standardized signage display in front of the shops/establishments, which shall be tailor-made and procured. For this purpose, you are requested to provide the name of the Shopkeepers/Owner with their desired display contents on the signage in both hard and soft copy.
2. **Removal of projections from the building lines:** All the Shopkeepers/Owners are requested to remove all the unauthorized projections/extensions from the buildings/shops within **15th February, 2021** which are made for sunshades or otherwise as the projections/extensions not only encroach upon the public footpath, it also obstructs public free movements and also promotes street vending.
3. **Uniform painting of the building facades with theme colours:** As a part of this Project, the ISCL (Imphal Smart City Ltd.) also proposed to re-paint the facades of the buildings on the proposed Mall road with a prescribed color theme to bring uniformity and appeal. The material cost is to be funded by ISCL. Further, it is also notify to all the owners of the unfinished buildings to complete the construction on or before **15th February, 2021.**
4. **Removal of aerial wire/cabling:** MSPDCL, and all the local TV Channels are requested to remove all the aerial wires/cables wiring/cabling within the mentioned area before **15th February, 2021.**

Sd/- **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation.

HL-B/6757/4,5


# ম্যান্মারগী ডোক্টরশিংনা মিলিটরি কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

নেপিটো, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :

সু চিবু পৱারদগী চিংথুবগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক ত্রাঞ্জিসন লেপহনখিবা মিলিটরিগী কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা ম্যান্মারগী মফম কয়াদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংগী ষ্টাফনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থবক লেপখ্রে নত্রগা মশাদা অঙাংবা রিবন থেৎখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়শিনখিবদা মীয়াম্না মদুবু য়ানিংদবা উৎখিবা অহানবা খুদম চাংদমশিংগী মনুংদা অমদি সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইন অসিনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা জি-৭ মীফমদা ম্যান্মার অর্মীগী থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

নৌনা শেমখিবা ম্যান্মার সিভিল দিসওবিদিএন্স মুভমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, টাউন ৩০ গী মেদিকেল দিপার্টমেন্টশিং অমসুং হোস্পিটাল ৭০ গী ডোক্টরশিং প্রোটেষ্ট অদুদা য়াওশিনখ্রে।

কোরোনা ভাইরস লায়চৎ মনুংদা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং করিমত্তা খন্দনা মশাগী অনিংবা অপান্বদমক পাঙথোক্নবা হোৎনৈ হায়না মুভমেন্ট অসিনা অর্মীবু মরাল শিখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পেন্দমিক অসিদা ম্যান্মারদা মীওই ৩,১০০ হেন্না শিখ্রবনি। মশীং অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বশিংগী মনুং চল্লি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি ঐখোয়না য়ারোই হায়না মশাগী চহী ৪৯ শুরবা ম্যো ম্যো মোন কৌবা ডোক্টর অমনা হায়খি। মহাক থবক লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা ডোক্টরশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয়না লেপ্লোইদবা অমসুং নন ভাইওলেন্স ওইবা মওংদা কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌগনি। ঐখোয়গী ষ্টেট কাউন্সেলরনা পাল্লিবসু মসিনি হায়না সু চিগী টাইটল পল্লদুনা ডোক্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা সু চিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিগী ওফিসশিংদা রেইদ চথুরে হায়না পার্টি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি অমসুং পার্টি অসিনা নবেম্বর ৮ গী মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা চথুরক্লিবা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং লেপ্নবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি।


**THE HIGH COURT OF MANIPUR**
**AT IMPHAL**

**ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯂꯣꯟꯁꯤꯟꯕ / ADVERTISEMENT**

Imphal, the 30th January, 2021

No. HCM/A-49/92-A&E-IV(Pt.)/1515 : Applications are invited online for filling up of the following post in the Scale of pay as given against the post

| Sl.No. | Name of Post | Scale of Pay | No. of Posts (Which may increase) | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1 | Private Secretary | Rs. 9300- 34800 + Grade Pay of Rs. 4800/-PM plus other allowances as admissible under the Rules | 2 | 1 | 0 | 1 | 0 | 4 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website- ***http://hemimphal.nic.in.***

Important Dates :

- **Opening of Online Registration and Submission of Application Forms : 10-02-2021 (11:00 A.M.)**
- **Closing of Online Registration and Submission of Application Forms : 24-02-2021 (04:00 P.M.)**
- **Download of Admit Cards : 05-03-2021 (onwards) from the official website *www.hcmimphal.nic.in***

**Sd/- PH. JAPAN SINGH**
Jt. REGISTRAR (ADMN./PM&P)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/6749/2,4